মহৈরোয়শিংবু মেদিসনেল প্লান্টশিং পাক-শন্না থাহন্নবগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

"INTERACTIVE MEET ON MEDICINAL PLANTS WITH TRADITIONAL HEALERS"
&
"365 DAYS ACTIVITIES AT SCHOOL LEVEL"
On Saturday, the 20th May, 2017 at 10:00 A.M.

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ষ্টেট মেদিসনেল প্লান্টস বোর্দ দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশনা শীন্দুনা ইন্টর এক্টিব মিট ওন মেদিসনেল প্লান্টস ৱিথ ট্রেদিসনেল হিলর্স এন্দ ৩৬৫ দেজ এক্টিভিস এট স্কুল লেবেল হায়বা থৌরম অমা ঙরাং ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) হাউস, লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা এস সুভাশচন্দ্র পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হেল্থ, ফেমিলি ৱেলফেয়র এন্দ অয়ুশনা চীফ গেষ্ট, এন তোম্বীরাজ প্রসিদেন্ট অপুনবা মণিপুর মাইবা-মাইবী ফুরুপ উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়না গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং ডা. কে লোকেন্দ্রো দিরেক্টর হেল্থ, মিসন দিরেক্টর এন ঐচ এম অমসুং দিরেক্টর অয়ুশনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর ষ্টেট মেদিসনেল প্লান্টস বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি ডা. এ গুনেশ্বরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংদা য়াওরিবা হৈথোই শীংথোইবা কয়া অদু মেদিসনেল প্লান্টস বোর্দকী কন্সেপ অমদা পুনশিল্লগা হৈথোই শীংথোইবা অদু উথোকচনবগী থৌরম অমনি। থোইদোক হেন্দোক্লা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তবা হায়বসিদা ট্রেদিসেন সিষ্টেম ওফ মেদিসিন অসি মৈহৌরোলদগী চৎনদুনা লাক্লি।

মীতৈ মাইবা অমসুং মাইবীশিং নৎত্রগনা লোকল ট্রেদিসনেল হিলরশিং অসিনা মোদর্ন মেদিসিন অসি লাক্ত্রিঁগে মতমদা হায়রিবা সিষ্টেম অসিখক্তনা লায়েংদুনা লায়না কয়াবু ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরকখি। অসিগুম্বা মেদিসনেল প্লান্টশিং অসিগী মতিক ময়াই অসি চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না ঐখোয়না থৌশাদবনা মীরাইবগুম তৌরি। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা মেদিসনেল প্লান্টশিং অসি মীরাইরকপদা নত্তনা ঐখোয়গী লম অসিগী খুন্নাইগী, শেল-থুমগী অমদি অকোয়বগী ফীভমদা লৈজরিবা ট্রেদিসনেল সিষ্টেম অসিদা লাক্লবা ঐখোয় পুনশিল্লগা স্কুল লেবেলদা অমদি হাউসহোল্ড লেবেলদা অকোয়বগী মফমশিংদা থাদুনা য়োকখৎপা অমদি মহৈরোয়শিংবু ৰাখল তাহনবগী মতাং অদু য়ৌরক্লে।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা এস সুভাশচন্দ্রনা হায়খি, ঐখোয়গী মাঙলুরবা ট্রেদিসনেল ট্রিটমেন্টশিং অসি অমুক হন্না লাক্লে হায়না লৌবা য়াই। ঐখোয়গী কলচরদসু ঙসিদগী চহী ৫০গী মমাঙদা তৌরম্বা কয়া অদু মাঙখ্রে। মরম অদুনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা মেদিসনেল প্লান্টকী মরমদা লাইয়েকপা চাংদম্নবা, সিম্পোজিসম অমসুং এসে কম্পিটিসন্নচিংবা তৌরিবা অসি মনা-মশিংদা নত্তনা শা-উচেকশিংগী মরমদসু থিজিন্দুনা অফাওবা স্কোলর নৎত্রগা সাইন্টিষ্ট ওইরক্নবগী লম্বী অদু য়াৎপীবনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা ডা. কে লোকেন্দ্রোনা হায়খি, অসিগী ট্রেদিসনেল হিলর সিষ্টেম অসি ফৈ হায়না মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৰাফমনি। অদুবু ট্রেদিসনেল হিলরগী লম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েংদি ইথম থম্নদবগুম তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ৰার্কশোপকুম্বা খরদি পাঙথোকপগুম তৌই। মীয়াম পুন্না চঙশিনমিন্নদুনা দেটানচিংবা কলেক্সন তৌরবদি শোয়দনা চাউখৎহনবা য়াগনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙখিবা এন তোম্বীরাজনা হায়খি, মণিপুরদা মেদিসনেল প্লান্ট অসি কয়াম য়াম্না মরুওইবগে হায়বসি মহৈরোয়শিং অমদি রিসার্ছ তৌরিবশিংদা খঙহন্নিংই। ইন্দো-বর্মা বাইওদাইভর্সিটি হোটস্পোট হায়বা অমা অদুগা ইন্দিয়াগী ৱেষ্টর্ন ঘাত অসি কেরালা, তমিল নদুনচিংবদা লৈরিবা অসি মেগা বাইওদাইভর্সিটি হোটস্পোটনি।

থৌরম অসি ট্রেদিসনেল হিলরশিংদা লৈরিবা ৰাখল লৌশিং অদু সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা পুশিল্লক্তুনা কম্মন প্লেটফোর্ম অমদা পুন্না ট্রেদিসনেল নোলেজ ওইনা মখা তানা রেকোর্দ তৌদুনা সাইন্টিফিক এপ্রোচলোমদা লাক্লবা হোৎনবনি হায়রি।

৩৬ দেস এক্টিভিস এট স্কুল লেবেল হায়বা ক্লাস ফাইবতগী সিক্স ফাওবগী লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থিমনা ভিজন ফোর দিভলপমেন্ট ওফ স্কুল ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্ট হেল্থ থ্রু মেদিসনেল প্লান্টনি। ক্লাস সেবেনদগী আইট ফাওবগী ওইনা পাঙথোকখিবা এসে কম্পিটিসনগী থিমনা মেদিসনেল প্লান্টস ওফ মণিপুর এন্দ ইটস পরস্পেক্টিব ফোর কম্মর্সেলাইজেসন হায়বসিদনি। ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী পোইম কম্পিটিসনগী থিমনা স্মাইলি মেদিসনেল প্লান্টস হায়বসিদনি। ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী ওইনা পাঙথোকখিবা স্পিচ কম্পিটিসনগী থিমনা রোল ওফ ষ্টুদেন্টস ইন রোল ওফ মেদিসনেল প্লান্টস হায়বসিদনি হায়রি।

হায়রিবা অথোই অহেনবা তান্নবা অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তারবশিংদা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, লুপা ৩০০০ অমসুং লুপা ২০০০নি।

ইন্টরেক্টিব মিটকী নুংথিলদা পাঙথোকখিবা টেক্নিকেল সেসন্দা ডা. এ গুনেশ্বর মেম্বর সেক্রেটরি এম এস এম পি দিনা চ্যেরপার্সন ওইখি। ডা. এন সুর্নোলাতা সেলেক্সন গ্রেদ লেকচরর, ফার্মাসি দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিককনা রোল ওফ ট্রেদিসনেল হিলর ইন দিভলপমেন্ট ওফ ন্যু দ্রগস দিস্কোভরি, ডা. কে পাওচুনবৌ সেক্রেটরি ওরেন্টেল রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না ইভিদেন্স বেজ ট্রাইবেল মেদিসিন, এন তোম্বীরাজ প্রসিদেন্ট অপুনবা মণিপুর মাইবা-মাইবী ফুরুপ্পা ইম্পোর্টেন্স ওফ দোক্যুমেন্টেসন ওফ ট্রেদিসনেল মেদিসিন হায়বা টোপিক অসিদা ৰা ঙাঙখি হায়রি।

লৈঙাক্লা থাঙ্গালগী পোক্লফম লমদমথু কাউথোকপীরব্রা : মপি কাউন্সীল

SEE THE PLACE & MEET THE PEOPLE

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর পিছ এন্দ ইন্তিগ্রিটি (মপি) কাউন্সীলনা মমাঙদগী চথুদুনা লাকপা *সী দ প্লেস এন্দ মিট দ পিপল*গী থৌরম অমা ওইনা থা অসিগী ২০দা ইপু থাঙ্গালগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা থাঙ্গাল খুলদা পাঙথোকখ্রে।

মপি কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এম নেতাজিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফালদগী শুপ্পগী কিলোমিটর ৩৫ মুক লাপ্পা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা থাঙ্গাল খুল অসি য়ুম্নাম ৭৪ মুক অমসুং মীশিংনা ৪৭০ মুক্না খুন্দারি। মপি কাউন্সীলগী মীওই ৩০ রোম্না শাবা টিম অমনা খুলদুগী মীওইশিংগা পুন্না খুল অসিগী মরমদা অৰা নুংঙাই কয়া পাউদম্নখি। লোয়ননা ইরমদমসিগী পুৰারীদা নাথৈবা য়ারোইরদবা ইপু থাঙ্গাল জেনরেলগা শাগোন্নরিবা থাঙ্গাল শুরুংদা কাখৎতুনা শুরুং অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসু য়েংমিন্নরকখি।

য়াম্না ঙল্লিঁগে মতমদা, নিংথৌ পাল্লিঁগেদা থাঙ্গাল শুরুংদা মতমদুগী লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা কংলাগা ফাওদোক ফাওজিন য়াদুনা থাঙ্গাল শুরুংদগী খোংদ্রুম মাইরেন্নচিংবা পোৎলমশিং থাদখিবদা কংলাদা তারক্তুনা নিংথৌশিংনা চাবা ফংখিবা অমদি কংলাদগী খুনু থাদোকপদা থাঙ্গাল শুরুংদা ফাওগৎলক্তুনা পাইথোরকখিবগী ৰারী কয়া খুলগী অহলশিংনা লীরকপা অমদি থাঙ্গাল শুরুং অসিদা কোনুংগী অমাইবা-অমাইবী অমদি মীওই কয়া লাক্তুনা লাই-তিনগী থৌরম কয়া পাঙথোকপা অমদি থৌনি কয়া তৌদুনা লৈবাক্কী ওইবা অফবা ওইরক্লবগী থৌরম কয়া তৌখিবগী ৰারীসু লীরকখি। মসিগী মথক্তা ইপু থাঙ্গালবু লৈবাক নিংথৌনা খুল অসিদগী মথৌনা মরিংজেল হেন্দোক্লবা লৈবগীদমক কোনুংদা পুরক্তুনা লৈবাক ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্দুনা লৈবাক ঙাকপদা অমদি বৃটিশকা লান্থেংনবদা লৌখিবা থৌদাং অমসুং মরৈবাক্কীদমক্তা থৰায় কৎখিবগী লোইবা নাইদ্রবা ৰারী কয়া ঙসিসু শোন্নরি অমদি নীংশিংনরি।

খুল অসিদগী চীংথক্তা কিলোমিটর ৪/৫ রোম চৎতুনা থাঙ্গাল শুরুং তানা কাখৎতুনা শুরুং অসি য়েংশিনখি। শুরুং অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কে গুইশিনবা, রোবেন অন্ত অমদি গুইথুনবা অন্তনা ফোঙদোরকপদা, শুরুং অসিগী ফীভম লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদবসি পেন্দে। শুরুং অসি ফুঞ্জিনখিবা য়াবগী অকিবা লৈবদগী খুলগী মীওইশিংনা অচৌবা নুঙপাক্লা মখুল অসি ফুঞ্জিন্দুনা থল্লি। লোয়ননা অকোয়বগী মফমশিং অসি উ-ৰানা ইশোং শোংজিন্দুনা য়েংবা লাকপা মীওইশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই। অথুবদা লৈঙাক্লা মফম অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বীয়ু।

খুল অসিগী চীংখোঙদা থারিবা মীথুংশঙ অসি নীংথিনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা শাবীয়ু অমদি ইপু থাঙ্গালগী মিতম অমা থম্বীনবসু পূক্নিং চিংশিল্লকখি। খুল অসিগী চঙফম ওইরিবা লম্বী নীংথিনা শেমজিনবীনবা অমদি পুলিস আউটপোষ্ট অমা থম্বীনবা ৰাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লিলোং এ সীগী মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : লিপুল

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম-ঈ-ইন্সাফ লিলোং লোকল কাউন্সীল অমসুং ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কন্মিটিনা খুৎশম্নদুনা চঙশিল্লকপা এসেম্বি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী) অসিগী লায়রবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং তানবগী খোঙজংশিংদা লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল)না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

লিপুলগী সেক্রেটরি এম এ রহিমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এ সী অসিদা লৈরিবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লাইনিং লাইশোনগী লূচিংবশিংনা মতেং পাংবীনবা লিপুলগী প্রসিদেন্ট বি এম অব্দুল খলিকনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

চহী কয়া লিশাং শীৎনা এ সী অসিগী মীয়াম্না থাগৎখিবা মতম মতমগী মীহুৎশিং অমসুং মীহুৎশিংগী খোঙলোয়শিংনা এ সী অসিগী লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং মৎতুনা লাক্লি হায়বসি সী এস ও অহুম্না হন্দক থিগৎলুবদগী খঙবা ঙমখি।

হৌখিবা মতম খরদা রসনিং এজেন্টশিংনা লায়রবগী চাকথুং অহোংবা মমলদা য়েনবদা ইমুং অমদা লৈবা ভোটর লিষ্টতা য়াওবা মীওই খক্তমক চাকথুং পীদুনা লাকখি। মদু মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা মীয়ামগী চাকথুং মৎনবা হোৎনখিবনি। রসন কার্দতা য়াওরিবা মীওই খূদিংমক চেঙ কে জি ৫/৫ পীগদবনি। রসনিং এজেন্টশিংনা পি দি এসকী আইটেমশিং য়েনগদবা মতমদা লেপথোক্লগা নুমিৎ অদুগী অকক্নবা পুংফম খরদমক য়েল্লগা য়েল্লিঁগে নুমিৎ অমসুং পুংফম অদুদা য়ৌরকপা ঙমহৌদবা বেনিফিসরিশিংদদি পি দি এসকী পোৎলম ফংহনবীদে।

অদুগুম্বা থৌওং অদু লায়রবা মীয়াম্বু তশেংনা লৌনম তৌদুনা চাকথুং মৎপা য়ানবা হোৎনবনি। তশেংনমক্তিং ফংহৌদ্রিবশিংগী খল্লগা থা ১গী চাকথুং থা অদু লোইদ্রিফাওবা য়েনগদবনি। মরমদি শেন্থোক লৈজদবা বেনিফিসরিশিংনা মখোয়গী চাকথুং অদু থা অদুগী মনুংদা খুদোংচাবা য়েংলগা কয়ারক হন্না লৈজবা য়াবগী তাঞ্জা পীরি। বেনিফিসরিশিংগী রসন কার্দকা পি দি এসকী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অকক্নবা থা অদুখক্তা এন্ত্রি তৌহনগদবনি।

থা ১গী চাকথুং য়েল্লগা য়েনখিদবা থাশিং অদুগী এন্ত্রি তৌবিদনবা চেকশিনগদবনি নৎত্রবদি ফংহৌদবা থাশিং অদুগী চাকথুং ফংদ্রবসু ফংখ্রে হায়না লৌগদৌরিবনি। অসুম্না লায়রবশিংগী চাকথুং মৎপগী হৈনবী অসি লিলোং এ সীদা য়াম্না লেমজবা চৎনবী অমদি শিনফম অমা ওইনা লৌনরক্লি। মসিগী চপ চাবা খুদমদি চেঙ নত্তবা কেরোসিন অমসুং চিনিনচিংবা পোৎলম খরদি মীয়ামদা এজেন্টশিংনা মখোয়গী ফুরিৎখাউদগী শেল পুথোক্লগা পীবা মালহন্দুনা লাক্লি।

কেরোসিন অমসুং চিনি কুমজা ২০১৬-১৭কী ওইনা মীয়াম্না ফংগদবা চাকথুংশিং য়ৌরকখিবদা থা ৮ শুরে। মতাং অসি ওর্গনাইজেসন অহুম্না থা অসিগী ২০ ফাওবদা মীয়ামগী চাকথুংশিং ফংনবা মরী লৈনবশিংদা কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু থবক ওইনা পায়খৎলক্তবা মরম্না অথুবা মতমদা এ সী অসিগী মীয়ামগা খুৎশম্নরগা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিনবা হৌরগনি।

হোম গার্দকী পার্সনেলশিংগী দ্যুটি এলারেন্স সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না পীথোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা হোম গার্দ পার্সনেল ওইনা থবক তৌরিবা মেম্বরশিংগী দ্যুটি এলারেন্স অসি সুপ্রিম কোর্ট অমসুং মণিপুর হায় কোর্টকী জজমেন্ট মতুং ইন্না হেনগৎনবা তক্করিঁগে চৈরক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনা এক্ত অমসুং রুলগী ৰাংমদা অচান মীরাই নাইবা মওংদা প্রমোসন পীশিনবা অমদি ট্রান্সফার তৌবনচিংবগী থবক চথুরিবসি লেপ্পীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র্স এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দ্যুটি এলারেন্স হেনগৎনবগী ৰাফম তাবীদ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস অমা ফাইল তৌদুনা হৌজিক লৈরিবনি। অদুবু চৈরক অসিদা হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টনা চৎনকাঙলোন লান্না মীওই খরবু প্রমোসন থোকপা লেপত্রি। মসিগী মতাংদা পার্সনেল অমনসু মহাকপু নমথবীরগা অতোপ্পা মীওইদা প্রমোসন পীখ্রে হায়বগী ৰাকৎ অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মীওই তরুক্কী মথক্তা কেস ফাইল তৌবা লৈখ্রে।

মতাং অসিদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী হোম গার্দ মেম্বর পূম্নমক্কী মফমদা থমজনিংবা ৰাফমদি এসোসিএসন অসিনা চঙশিল্লিবা ইনহেঞ্জমেন্ট ওফ দ্যুটি এলারেন্স অমসুং ষ্ট্রিমলাইন ওফ হোম গার্দ ওর্গনাইজেসন অসি পূম্নমক্কী য়াইফনবনি। মীওই খরগী নত্তে হায়বসি নীংশিংবীয়ু হায়রি। মরম অদুনা মীওই খরগা লৌতুনরগা মশাগী কান্নবা য়েংদুনা খোঙ থাংজিল্লিবা অসি হন্দোকপীয়ু হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

মীয়াম্না য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা ৰাফমশিং অচুম্বা অমসুং অচান মীরাই নাইদবা থবক পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু নুংঙাইবা, অহোংবা পুরক্নি হায়বা ফোঙদোকপীরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা হোম দিপার্টমেন্টনা হোম গার্দশিংগী মফমদা চথুরিবা থবকশিং অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা অরানবা তৌরিবসি খুন্দক্তা লেপহনবীয়ু হায়রি।

এ আরনা চান্দেলগী ওর্ফানেজদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১৮ অসাম রাইফলসনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওর্ফানেজ হোমদা সোলর ষ্ট্রিট লাইট প্রোজেক্ট শাদুনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখ্রে।

২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দরনা থৌরম অদু হৌদোকখি। কুমজা ২০১৬-১৭তগী এ আরগী মখাদা চথুরকখিবা সিবিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎখিবনি। ওর্ফানেজ হোম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং অদুদা চান-থক্লবা অমসুং শান্নখোৎনবগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। ২৬ সেক্টর এ আরগী কম্মান্দর অমসুং ১৮-এ আরগী কম্মান্দেন্টনা ওর্ফানেজ অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং অমসুং ষ্টাফশিংগসু ৱারী শানদুনা মখা তানা মতেং পীখিগনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

মিস ৱর্ল্ড অমসুং *ইমাতোনগী ভেন্দর* হায়না মিংথোনবা শুমাং লীলাগী লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মিস ৱর্ল্ড অমসুং *ইমাতোনগী ভেন্দর* হায়না মিংথোনবা শুমাং লীলা ওইনা শান্নখ্রবা লীলাশিং অসি শুমাং লীলাগী বেষ্ট এক্ট্রেস তাখ্রবা শগোলশেম সনানা লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা ফোঙবগী থৌরম অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৰাঙ্খেম এসেম্বি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, পি গুনচন্দ্র লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা প্রসিদেন্ট, এন ইন্দ্রজিৎ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি মহুদ, এল সুশিলদ্রো পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হোম অমসুং প্রো. আই এস কাংজমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙবদা এম এল এ, এন ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, পামজবা হায়বসি অঙাং ওইরিঁগেদগী লোয়নরক্তুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। আর্টিষ্ট অমা ওইবগী ফজবা হায়বসিসু ওজাশিংদা উৎপা থকসি-খাসি হায়বসি য়াওই। অমরোমদা, শীংনবা হায়বসি য়াওদ্রবদি থবক তৌবা ঙমদে। শীংনবা হায়বা অমা শগোলশেম সনাদা য়াওবা মরম্না ঙসি লাইরিক ফোঙলিবনি। অফবা থবক তৌবা হায়বসি শৌগৎফম থোকই অমদি অফবা থবক্তি তৌসি।

থৌরমদুদা ৰা ঙাঙখিবা এম এল এ, এল সুশিলদ্রোনা হায়খি, নুপী মানবীশিংগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমদি য়াওই। মগুণ অদুনা মখোয়না নুপী শাদুনা লীলাদা অচৌবা মফম অমা কল্লিবনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

CROSSWORD-2420



ACROSS
- 1 Brought up (6)
- 4 Go aboard (6)
- 8 Frown angrily (5)
- 9 Alien (7)
- 10 Airman (7)
- 11 Glasgow's river (5)
- 12 Pre-decimal British coin (4,5)
- 17 Stage-player (5)
- 19 Exhibition centre in London (7)
- 21 Stuffy (7)
- 22 Customary (5)
- 23 For ever (6)
- 24 Drinker's toast (6)

DOWN
- 1 Scamp (6)
- 2 Do away with (7)
- 3 Brilliant success (5)
- 5 North African country (7)
- 6 Friendship (5)
- 7 Dog-house (6)
- 9 Savage (9)
- 13 Theft (7)
- 14 Roman sea god (7)
- 15 Cuban cigar (6)
- 16 Flaws, defects (6)
- 18 Hurl (5)
- 20 Early part of life (5)

Solution 2419

F	O	A	L	■	C	H	A	S	T	I	S	E
U	■	L	■	C	■	U	■	T	■	N	■	D
L	E	T	D	O	W	N	■	O	P	E	R	A
L	■	E	■	R	■	D	■	R	■	R	■	M
S	I	R	E	N	■	R	E	M	O	T	E	■
T	■	■	■	E	■	E	■	■	■	I	■	P
O	N	C	E	A	N	D	F	O	R	A	L	L
P	■	A	■	■	■	W	■	B	■	■	■	O
■	A	B	L	A	Z	E	■	L	I	G	H	T
O	■	B	■	P	■	I	■	O	■	R	■	T
S	C	A	M	P	■	G	E	N	U	I	N	E
L	■	G	■	L	■	H	■	G	■	L	■	R
O	M	E	L	E	T	T	E	■	A	L	M	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : এ এস এদ্যুকেসন ট্রষ্টনা শীন্দুনা ঙরাং হৌদোকখিবা গেটৱে এবোর্ট ইন্টরনেসনল এক্সপো, ২০১৭কী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ঙসি নুপীলাল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ এস এদ্যুকেসন ট্রষ্টকী মেম্বর এম দি হকিমুদ্দিননা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা পেরেন্টশিংগী সপ্লোর্ট ফজনা ফংই মরমদি ইন্দিয়াগী লৈরিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মেদিকেল লাইন্দা তম্বা মতমদা মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াগী পার্সেন্টেজ হায়বা অমা লৈরি। হায়রিবা ফীভম অসিদা পেরেন্টশিংনা ঙম্বা অমদি ঙমদবা হায়বা ৰাফম য়াওরকপদগী অৰাবা কয়া মায়োক্নৈ। অদুবু হৌজিক পাঙথোক্লিবা এক্সপো অসিদি ইন্দিয়াগী নত্তে। অতোপ্পা মপান লৈবাক্তা তম্নবগীদমক্তনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সীলগী পার্সেন্টেজ য়াওদে।

মহৈরোয়শিংগী লৈফম চাফম অমদি মখোয়না তম্নিংলিবা ইন্সটিট্যুসন অদুদা মহৈ তম্বদা পীফম থোকপা অদুখক্তমক পীগদবনি। মখোয়গী ফী ষ্ট্রকচর অমদা থম্বীবনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্টরনেসনল এক্সপো অসিদা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কন্ত্রি কয়াগী মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মেদিকেলগী লমদা মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা কয়া লৈরিবদু পেরেন্টশিংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথগদবা এক্সপো অসি হয়েং লোইশিনগনি হায়রি।

যোগ ট্রেনিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : সেন্ট্রেল কাউন্সীল ফোর রিসার্ছ ইন যোগ এন্দ নেচরোপেথি, ন্যু দিল্লিগী মখাদা সোসল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন খুরাই থৌদাম লৈকায়না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগগা মরী লৈননা যোগ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থা অসিগী ২১দগী জুনগী ২১ ফাওবাপাঙথোক্কনি হায়না সোসল এন্দ কলচরেল এচিভমেন্ট ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেম্বগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মল্টি ইন্দষ্ট্রিয়েল কম ৱেভিং কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উরুপ মখা লৈকায়দা এ ঐচ ভী ৱাই স্কিমগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেম্বগী নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস অমসুং মোবিলাইজেসন কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার হেন্দিক্রাফটনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা উরুপ মখা লৈকায়গী আর্টিসান ১৩৫ হেনবনা শরুক য়াখি।

কে পাওফুলুং কবুই রিটয়ার্দ সিনিয়ার মেনেজর মণিপুর রুরেল বেঙ্কনা চীফ গেষ্ট, পি পকা ব্রাঞ্চ মেনেজর মণিপুর রুরেল বেঙ্ক লিলোং ব্রাঞ্চনা প্রসিদেন্ট, কে ঐচ নুপামচা য়ু দি সী মার্কেটিং এন্দ সার্বিস এক্সটেন্সন সেন্টর, দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার হেন্দিক্রাফট মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া বাবুপড়া, ডা. এস হেরোজিৎ ফেকল্টি মেম্বর আই সী এম ইম্ফালনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙবদা কে ঐচ নুপামচানা এ ঐচ ভী ৱাই স্কিমনা আর্টিসানশিংদা পীরিবা কান্নবশিং অদুগী মরমদা মরিক চুম্বা ৰাফম থমখি অমদি দি সী হেন্দিক্রাফটনা আই দি কার্দ পীদুনা সোসাইটি অদুগী আর্টিসানশিং অদুগী খুন্নাই অমদি শেল থুমগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুগী মরমদা ফোঙদোকখি। অদুগুম্বা আই দি কার্দ পায়বা আর্টিসানশিং অদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা য়াইফ থৌরাংগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া লৌবা য়াগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ডা. এস হেরোজিৎনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ করম্না শেমগনি অমদি করম্না সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বর খনগনি লোয়ননা মেম্বরশিংনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমা চাউখৎহনবা মদুগী মেম্বরশিংনা পাঙথোক্কদবা মথৌ অমদি থৌদাংগী মরমদসু মরিক চুম্বা ৰাফম থমখি। খুঙ্গংগী লায়রবা আর্টিসানশিংবু খুন্নাই অসিদা শেল-থুমগী চাউখৎপা পুরক্লবা অমদি ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুগী মরমদসু ঙাঙখি।

সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমা মায় পাক্লা চাউখৎহনবদা বেঙ্কনা লৌরিবা থৌদাং অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপতা বেঙ্কনা পীরিবা কান্নবশিং অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমগী রেকোর্দ করম্না থমগনি হায়বগী মতাংদা কে পাওফুলুং কবুই অমদি পি পকানা ৰা ঙাঙখি হায়না মল্টি ইন্দষ্ট্রিয়েল কম ৱিভিং কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদকী সেক্রেটরি টি ঐচ করঞ্জিৎ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৰানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথুবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৰার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্কিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৰাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৰাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিন্না ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৰাবা অদু কোক্কনি।

HL-B/3850/6/05-04/06

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2219

6				9	1		8	
						7		
					7		3	2
		5				8		3
		8	4		6	9		
4		7				5		
9	3		7					
		4						
	5		6	4				7

Solution-2218

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

9	7	6	2	3	5	4	1	8
1	4	8	9	7	6	5	3	2
3	5	2	4	8	1	7	9	6
7	6	1	8	5	4	3	2	9
4	2	9	1	6	3	8	5	7
5	8	3	7	2	9	6	4	1
8	9	5	6	4	2	1	7	3
6	1	4	3	9	7	2	8	5
2	3	7	5	1	8	9	6	4